**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-04-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৫-০৪-২০২৪, শগোলশেন)**

--**সিগনেচর ট্যুন**--

**---অকাশবানি ইম্ফাল আর.কে গোরানিনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনরগনি।

২) মনিপুরগী মফম কয়াদা ঙরাং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ তৌখিবদগী য়ুম কৈ য়াওনা অমাং অতা থোকখ্রে। মফম কয়াদা মৈ ফংদ্রে।

**অমসুং**

৩) **মীখলদা শিজিন্নরিবা** ই.ভি.এম দা য়াওরিবা ভোট মশিং অদুগা ভি.ভি.পেট পেপর স্লিপ মশিংগা চাদা ১০০ পুন্না থীমিন্নবিয়ু হায়না ই.সি.আইগী মথক্তা থাংগৎলকপা ৱাকৎশিং সুপ্রিম কোর্টনা রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

ইলেক্সন(এল)ঃ লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনরগনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১৩ গী লোক সভা সিট ৮৯ দা ভোট থাদনগনি।

মনিপুরগী আউতর লোক সভা কেন্দ্রগী ওইনসু তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থাদরগনি। সিট অসিগীদমক পুন্না মীরেপ মরিগীদমক লম্বা তৌনরি। মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিং মশা মশাগী পুলিস ষ্টেসনশিংদা ঙরাংদগী চৎনবা হৌখ্রে। তাঙ্কক অসিদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ অদুদি- জিরিবাম,তেংনৌপল, ফুংয়ার, উখ্রুল, চিংঙাই, কারোং, মাও, তাদুবি,তমেংলোং, নুংবা ,তিপাইমুক অমদি থালোননি। হয়েং ভোট থাদনগদৌরিবা তাঙ্কক অসিদা অপুনবা ভোতর লাখ ৪ লিশিং ৮৮ না পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪৮ দা ভোট থাদনগনি।

কামজোং জিলাগী ওইনসু মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিং চৎনবা হৌখ্রে। নুপী ঙাক্তনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং টিম ১৪ দি ঙসি মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চৎকনি। কামজোংদা অমত্তা ঙাইরবা বিধান সভা কেন্দ্র ফুংয়ারদা হয়েং ভোট থাদনগনি। মনিপুরগী আউতর লোক সভা কেন্দ্রদা পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ২৮ লৈবগী মনুংদা ১৫ দি থা অসিগী ১৯ মীখল পাঙথোকখিবা অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনখ্রবনি।

জিরিবাম জিলাগী ওইনা মাখল অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিং ঙসিদগী মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চৎন্নবা শেম শারে। জিলা অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অমদি মীখল শান্তি ওইনা পাঙথোকবগীদমক জিলা অসিগী সিমনা পারিং থিংজিনখ্রে । মসি ভোট থাদবা লোইদ্রিবা ফাওবা চৎনগনি হায়রি।

এ.আর(এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর অমসুং এস.পি,

লিল্লোং পুলিস ষ্টেসন অমসুং লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি শিংজমৈ চিংঙা মখাগী কাউন্সিল্লর ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সঙাকফমগী মৈরা পায়বিশিং,ৱাংখেমগী সি.এস.ওশিং অমসুং লৈমারাম রিলিফ কেম্পদা লৈরিবা মীওইশিংগা অসাম রাইফলসকা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা শান্তি ওইনা লৈমিন্ননবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

মসিগী মথক্তা অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিং- লাইরোংথেল, উৎলৌ, খুরাই লমলোং, সলাম, লৈমারাম, হায়বুং, লখন খুমন,মোলবাইলুপ, পোই, কে-ৱালেলি ,চাঙা, ৱাংলি, এম.বি শৈশাং, গেলবুং, সমতাল অমদি সেলোন য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংগী ভিলেজ চিফশিং অমদি মীয়ামগসু উন্নখি।

**নোং(এল)ঃ** মনিপুরগী মফম কয়াদা ঙরাং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ তৌখিবদগী য়ুম কৈ য়াওনা অমাং অতা থোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়দা ঙরাং শিৎখিবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা অমাং অতা কয়া থোকখ্রে, য়ুম কৈ কয়া হুমদোকখ্রে। নোনে জিলাদসু নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে। য়ুম কৈ অমদি মহৈমরোংশিং লেননা মরম ওইদুনা চাউনা অমাং অতা থোকখ্রে। ইলেক্ট্রিক লাইনশিংসু তৎখিবদগী জিলা অসিদা মৈ ফংদ্রে। উ-ৱা কয়াসু মরু ফুক্তৎতুনা মফম খরাদা চীং নিংখাইবনচিংবা থোক্লে।

দোলাং চিরু ভিলেজ অমসুং লোংসাই ভিলেজকী য়ুম কয়া অমসু লেননা মরম ওইদুনা অমাং অতা থোকখ্রে। অমরোমদা, নোং নুংশিৎ অসিনা মরম ওইদুনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা জিলা অসিদা মথৌ তৌগদবা পরসনেলশিংগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা পীরে ।

জিরিবাম জিলাদসু লেন্দ য়াওনা অকনবা নোংচুবদগী জিলা অদুগী মফম কয়াদা চাউনা অমাং অতা থোক্লে। উ-ৱা অমদি ইলেক্ট্রিক পোস্ত কয়া তেক্কুনা লম্বীদা ফৈজিনবগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা পীরে,

য়ুম কয়া অমসু হুমদোকখ্রে হায়রি। নম্বোল নাওরেম ময়াই লৈকায় অৱাংদসু অমাং অতা কয়া থোক্লে হায়রি। থৌবাল জিলাগী লিল্লোংদসু নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা কয়া থোকখ্রে হায়রি।

রাজ্য অসিদা ঙরাং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা ফোর হন্দ্রেদ কে.ভি য়ুরেম্বম, থৌবাল লাইন নম্বোল এরিয়াদা য়াখিদ্রে। অসিদা নত্তনা ৱান থার্টি টু কে.ভি থৌবাল ককচিং দি.সি লাইনসু মফম কয়াদা পৱার সপ্লাই সিষ্টেম য়াখিদ্রে। মরম অদুনা ককচিং, মোরে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর,এলাংখাংপোকপী জাগশিংদা অথুবা মতমদা মৈ পীবা ঙমখিরোই । মসি লাইনশিং অসি শেমজিনবা মতম খরা চংগদবনি হায়না মনিপুর ষ্টেট পৱার কম্পানি লিমিতেদনথোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**সুপ্রিম কোটঃ মীখলদা শিজিন্নরিবা** ইলেক্ট্রোনিক ভোত্তিং মছিন (ই.ভি.এম) দা য়াওরিবা ভোট মশিং অদুগা ভোত্তর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিত ত্রেল(ভি.ভি.পেদ)গী পেপর স্লিপ মশিংগা চাদা ১০০ পুন্না থীমিন্নবিয়ু হায়না ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়াগী মথক্তা থাংগৎলকপা ৱাকৎশিং সুপ্রিম কোর্টনা ঙরাং রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে।

জস্তিস শনজিব খানা অমসুং দিপঙ্কর দত্তাগী বেঞ্চ অমনা হৌজিক চৎনরিবা বিধান সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং বুট খরদগী চাউরকা খনগৎপা ই.ভি.এম মছিন ৫ দা রেজিস্তর তৌরিবা ভোট মশিং অদুগা ভি.ভি. পেদকী মশিংগা মান্নবা য়েংবগী মওং অসি হোংদোক্তুনা ভোট থাদরিবা পোল্লিং বুট খুদিংমক্তা ই.ভি.এমগী ভোট মশিং অমদি ভি.ভি.পেদ মশিং থিবিয়ু হায়বগী ৱাকৎ কয়া তাখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা লৈবাক অসিদা চত্থরিবা মীখলশিংদা অহোংবা কয়া পুরক্তুনা হেন্না মপাঙ্গল কলহনবগী তঙাই ফদবা অদু ফোংদোকখি। অদুবু ভি.ভি.পেদ মশিং লোয়না থীবা অদুদি হান্নগী পেপর বেলোট শিজিন্নবগী মওং লাকপা অদু য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

**মীখল ঃ** অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী মতম ঙরাং লোয়শিনখ্রে। হয়েং রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৩ গী লোক সভা সিট ৮৯ দা ভোট থাদনগনি।

তাঙ্কক অসিদা কেরলাগী সিট ২০ মক, সিট ২৮ লৈবা করনাতক্কাগী সিট ১৪, রাজস্থানগী সিট ২৫ গী মনুংদা ১৩, উত্তর প্রদেস অমসুং মহারাস্ত্রাগী সিট ৮-৮, মধ্য প্রদেসকী সিট তরেৎ, অসাম অমসুং বিহারগী সিট মঙা-মঙা, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং ছাতিসগরগর সিট অহুম-অহুম, ত্রিপুরা অমসুং জম্মু কাশ্মিরগী সিট অমমমগী মীখল পাঙথোক্কনি।

লোক সভা মীখলগী মরিশুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙসি লোইরগনি। হয়েংনা স্ক্রুতিনি তৌগনি। থা অসিগী ২৯ ফাওবা মীরেপচে লৌথোকপা য়াগনি।

অহুমসুবা তাঙ্কক অসিদা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১০ গী লোক সভা সিট ৯৬ কী মীখলগী ভোৎ মথং থাগী ১৩ দা থাদনগনি।

তাঙ্কক অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা পুন্না মীরেপ লিশিং ১,৩৫১ না লম্বা তৌনগনি। তাঙ্কক অসিগী মীখল মথং থাগী তরেৎতা পাঙথোক্কনি। কম্মিসনগী পাউনা হায়-তাঙ্কক অসিগীদমক্তা পুন্না মীরেপ লিশিং ২,৯৬৩ না মখোয়গী মীরেপ চেশিং পীশিনখিবনি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**
**হৌজিক ক্ষেত্রিময়ুম গঙ্গা লৈরে--**

**--গঙ্গা --**

## ----**অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক**--

১) লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনরগনি।

২) মনিপুরগী মফম কয়াদা ঙরাং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ তৌখিবদগী য়ুম কৈ য়াওনা অমাং অতা থোকখ্রে। মফম কয়াদা মৈ ফংদ্রে।

## **অমসুং**

৩) **মীখলদা শিজিন্নরিবা** ই.ভি.এম দা য়াওরিবা ভোট মশিং অদুগা ভি.ভি.পেট পেপর স্লিপ মশিংগা চাদা ১০০ পুন্না থীমিন্নবিয়ু হায়না ই.সি.আইগী মথক্তা থাংগৎলকপা ৱাকৎশিং সুপ্রিম কোর্টনা রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে।

## --**পাউ লোইজরে**--

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি- গোরানি**

ঙরাং নেসনেল হায়ৱে-২ গী কৌব্রু লৈখা মনাক্তা বোম পোখায়খিবগী পাউ মনিপুরদা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি। শক্তি লৈরবা বোমশিংপোখায়হন্দুনা সপরমৈনাদা লৈবা থোং থুগাইখ্রে, গাড়ি অচৌবা চৎপা থিংখ্রে হায়না **পোকফমদা** অহানবা হেদলাইন তৌরি।

থোং থুগাইবগী কেস এন.আই.এদা পায়হন্নবা হায়নখ্রে হায়বা সি.এমগী ৱাফম **সনালৈবাক** পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**হুইয়েন লানপাউদা** - ঈ.ভি.এমগা ভি.ভিপেট স্লিপকা পুন্না ভেরিফিকেসন তৌবগী থবক লৈখাই তারনি হায়না হেদলাইন তৌরগা সব হেদলাইনদা ঈ.ভি.এমগা ভিভিপেট স্লিপশিংগা ক্রোস ভেরিফিকেসন তৌনবা কেসকী জজমেন্ত সুপ্রিম কোর্টনা রিজার্ব তৌখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসনদা** - ঙাইহাক্কী নোংলৈ নুংশিনা মফম কয়াদা পাক চাউনা মাঙ তাকহনখ্রে হায়না অহানাবা লমায়দা ফোংলি।

মিজোরামদা রিফ্যুজিশিংগা উংখৎনবা হৌরে, ম্যান্মার রিফ্যুজিশিং লম লৈবদা অথিংবা থমখ্রে হায়বা পাউ **মনিপুর নিউজতা** ফোংলি।

**ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা** - চিফ জস্তিকী কাংবুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়বা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শুগুনুদা বি.এস.এফ লৌথোক পা য়রোই হায়না খোংজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা **পিপলস ক্রোনিকেলগী** অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা**- অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা উ-ৱাশিং তুহনখ্রে, ইলেক্ত্রিক লাইনা কয়া তৎখ্রে, য়ুমথকশিং হুমদোকখ্রে, সারকারগী মতেং নিরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি

**হিলস হোনর্বিল এক্সপেস্তা**- নেসনেল হায়বে-২ গী সপরমৈনা অমসুং কৌব্রু লৈখাগী মরক্তা হেভি ভাহিকল চংবা থিংনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেদনা ওদর থোকখ্রে হায়বা পাউনা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

**গানফিউ মেলদা** - আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ভোট খোন্বা লোইশিনখ্রে। নোং-চীংগী ফীভম ফত্ত্রবসু পোল্লিং ওফিসিয়েল অমসুং সেক্যুরিতি পরসনেলশিং পোল্লিং ষ্টেসনদা থুংবা হৌনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**তমেংলোং টাইমসতা** -ভারত্তগী হৌরকখিবি সুনিতা ৱিলিয়মস নাশাগী মখাদা স্পেসকী অহুমশুবা খোংচৎ মে ৬ দা চৎলগনি হায়বা পাউনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**--গোরানি--**